# কুজনেটসোভা, হালেপ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সানিয়া-ষ্ট্রাইকোভানা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে




ৰুহান (চিনা), সেপ্টেম্বর ২৮ :
সভেটলানা কুজনেটসোভানা মফম অসিদা চত্থরিবা ৰুহান ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

কুজনেটসোভানা দোমিনেট তৌনা চৎখিবা মেচ অদুদা অমেরিকান অসিবু মঙারক ব্রিক তৌখি। মহাক্না ৱিল্লিয়মসতগী ৫-৪ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী সার্ভদু মশক থোক্না য়ৈনবা হোৎনবদা ঙমখিদে অমদি দবল ফোল্ট তরেৎ ফংখি।

অমরোমদা ওপন অসিগী অতোপ্পা মেচতা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা কজাখষ্টানগী য়ারোস্লাভা সভেদোভাবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা জপান ওপনদা মহাক্কী ফৈগনগী শিংলিদা অশোকপা লৈখিবদগী শান্নবা য়াওখিদবা হালেপনা ওপন অসিদা মশাগী অশোকপা লৈবগী খুদম ফঙখিদে। হালেপনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মেদিসন কিজগা মায়োক্নদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি। কিজনা মমাঙগী মেচতা রসিয়াগী ক্বালিফাইয়র দারিয়া কাসাটকিনাবু ৬-১, ৪-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরনা মহাক্কী অহানবা মেচতা বাই ফংখ্রবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা মায় পাকখি অদুগা ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গর্বিন মুগুরুজানা মায়থীদুনা লৈহৌরে।

য়ু এস অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা ক্রিষ্টিনা স্লাদেনোভিকপু ৬-৭ (৪/৭), ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

টোপ সীদ কার্বরনা মেচ লোইৰবা মতুংদা হায়খি, ঐনা অহানবা সেটতা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদবদগী ঐগী রিদম অদুহঞ্জিল্লক বা কন্না হোৎনখি হায়না ফোঙদোকখি।

মুগুরুজানা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জেলেনা জাঙ্কোভিক্কী মখুৎতা ৬-৪, ৭-৬ (৭/২) তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

মুগুরুজানা হায়খি, ঐনা মেচ অদু য়াম্না কন্ট্রোল তৌনা শান্নখি অদুবু অরোইবা শোট অদু অরেন্বা তাখি। ঐনা জাঙ্কোভিক্না মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অদুদা অশোয়বশিং য়াওখি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পানিয়ার্দ অসিনা চহী অসিদা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অদু রোলেন্দ গারোসতা লৌখি অমদি মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেঙ্কিং ওইনা অনীশুবদা লৈখি। অদুবু মহাক্না ৰুহানগী অঙনবা রাউন্দদা মায়থীখিবা অসিনা সিঙ্গাপুরদা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগী প্লেয়র নিপান ক্বালিফাই ওইগদবা অদুদা মহাক্কীদি চমন্নবা হায়বদু ওইখ্রে।

অমরোমদা ওপন অসিগী দবলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ষ্টার সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা গাব্রিলা দাব্রোৱস্কি অমদি মারিয়া জোজ মার্টিনেজ সাঞ্চেজবু অকনবা লম্বা তৌদুনা সেট অহুম শান্নখিবা অদুদা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা চঙখি।

ইন্দো-চেক্কী অপুনবা জুরা অসিনা কনাড্রিয়ন-স্পানিশকী জুরাবু ৩-৬, ৬-৩, ১০-৫ দা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখি।

সানিয়ানা মমাঙগী দবলস পার্টনর স্বিটজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসকা কায়নখ্রবা মতুংদা ষ্ট্রাইকোভাগা জুরা শেমদুনা শান্নরকখিবনি। মদুদগী অনৌবা জুরা অসিনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা লাক্লি।

মখোয় অনী পুন্দুনা অহানবা ওইনা সিন্সিনাটি ওপনদা শরুক য়াখিদুনা ফাইনেলদা হিঙ্গিস অমদি কোকো ভান্দেৱেঘেবু মায়থীবা পীখি। মখোয়না য়ু এস ওপনদদি মায়থীখি। ওপন অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবনি। মখোয়না মখোয়গী অনীশুবা টাইটল ওইনা মমাঙ চয়োলদা টোকিয়োদা পাঙথোকখিবা পান পেসিফিক ওপনগী টাইটল লৌখি।

মখোয় অনীনা মায় পাক্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী ফলনা সানিয়ানা মখা তানা নুপীগী দবলস রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। মহাক্না অপুনবা পোইন্ট ৯,৭৩০ ফংদুনা টোপ স্পোটতা লৈখিবনি। অদুগা মহাক্না হিঙ্গিসতগী পোইন্ট মঙা হেন্দুনা চৎলি। হিঙ্গিসনা অপুনবা পোইন্ট ৯,৭২৫ ফংখি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ফোর অগনিজকা রাদৱানস্কানা ৰুহান ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা হান্নগী য়ু এস ওপনগী রন্নর-অপ রোবার্টা ভিন্সিনা অহানবা ওইনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবা সীদেদ ওইখিবনি। কুমজা ২০১২ গী ৱিমব্লেদন ফাইনেলিষ্ট রাদৱানস্কানা রসিয়াগী ইকাটোরিনা মাকারোভাবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। ইটালিগী রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা ভিন্সিনা য়ারোস্লাভা শভেদোভাগী মখুৎতা ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

অমেরিকান মেদিসন ব্রেঙ্গলনা রেঙ্ক ১০ শুবদা লৈরিবা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভাগী মখুৎতা ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি। জাং শুয়াইনা কম্পেট্রিওট পেং শুয়াইবু অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচতা ৬-৭ (৫/৭), ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

# ইন্দিয়াগী ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা আই সি সি টেষ্ট বোল্লরগী রেঙ্কিংদা অনীশুবদা লৈখ্রে



দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৮ :
লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩০ দা কোলকটাগী ইদেন গার্দেনদা শান্নগদৌরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা পাকিষ্টানগী মহুৎ শিন্দুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লগনি।

কানপুরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী ৫০০ শুবা টেষ্ট মেচ অদুদা ন্যু জিলেন্দবু রন ১৯৭ তা মায়থীবা পীখিবদগী ইন্দিয়ানা আই সি সি টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী মেস ফংনবগীদমক মেচ অমখক মায় পাক্নবগী মথৌ তাখিবনি। ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদগী পোইন্ট অমখক তাথনা লৈদুনা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজ অসি শান্নবা হৌখিবনি।

কানপুরগী টেষ্টতা ইন্দিয়াবু মায় পাকহনখিবদা চাউরবা থৌদাং লৌখিবা ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিনবু নৌনা থোকখিবা আই সি সি টেষ্ট বোল্লরগী লিষ্টতা হান্নদগী মফম অমা কাখৎলগা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে। অহানবা মেচ অদুদা অশ্বিননা রন ২২৫ পীথোক্লগা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়ানা রন ১৯৭ তা মায় পাকখিবা অদুনা ইংলেন্দগী জেমস এন্দরসনদগী পোইন্ট অমা হেঙ্গৎনা ফংবা ঙমখি। মহাক্না হৌজিক পোইন্ট ৮৭৮ ফংদুনা লিষ্টকী মকোক থোংবদা লৈরিবা সাউথ অফ্রিকাগী দেল ষ্টেনদগী পোইন্ট ৭ তাথনা লৈখ্রে।

লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা কোলকটাগী অনীশুবা টেষ্ট মেচতা করিগুম্বা অশ্বিননা অমুক হন্না মমাঙগী অহানবা টেষ্টতা পীখিবা পার্ফোর্মেন্স অদুমক পীবা ঙম্লবদি চহী অসিদা অনীরকশুবা ওইনা আই সি সি টেষ্ট বোল্লরগী লিষ্টতা মকোক থোংবা মফম কন্নবগী খুদোংচাবা লৈরি।

কানপুরগী টেষ্ট অদুদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিবা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন কেন ৱিল্লিয়মসনননা আই সি সি টেষ্ট বেটসমেনগী লিষ্টতা হান্নদগী মফম অমা হায়গৎলগা অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

ৱিল্লিয়মসনননা অহানবা টেষ্ট মেচ অদুগী ইন্নিংসশিংদা রন ৭৫ অমসুং রন ২৫ লৌবা ঙমখিদুনা অপুনবা পোইন্ট ৮৭৯ লৌদুনা ইংলেন্দগী জো রুটতগী পোইন্ট অমা হেঙ্গৎনা লৈবা ঙমখি।

বেটসমেনগী লিষ্ট অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টেভ স্মিথনা পোইন্ট ৯০৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ৱিল্লিয়মসনননা লিষ্ট অসিগী মকোক্তা লৈগে হায়রবদি লেমহৌরিবা টেষ্ট মেচ অনীদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মথৌ পাঙথোকপা তারি। মহাক্না মসিমক তৌবা ঙম্লবদি ষ্টেভ স্মিথপু তুংওইনরমদুনা রেঙ্ক নম্বর ৱানদা লৈবা ঙমগনি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন লোকেশ রাহুলনা মফম মঙা হায়গৎলগা ৫৭ শুবা পোজিসন অমসুং রোহিৎ শর্মানা মফম অনী কাখৎলগা ৫২ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

অজিঙ্কা রহানেনা টোপ টেনগী মনুংচন্না লৈরম্বদগী তরামাথোইশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ২০শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

# পি কেশয়পনা কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজগী মেইন ড্রোদা চঙখ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ২৮ :
কম্মন ৱেলঠ গেমসগী চেম্পিয়ন পি কেশয়পনা মফম অসিগী সোং নাম ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা য়ু এস দোল্লর ৬০০,০০০ কোরিয়া ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা মায় পাকখিদুনা মেইন ড্রোদা চঙবা ঙমখ্রে।

হায়দ্রবাদ মচা অসিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা মরিশুবা সীদ চিনাগী টিয়ান হোরৈগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। কেশয়পনা অহানবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা কোরিয়াগী কো শুং বোবু ১৫-২১, ২৩-২১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী মেচতনা থাইলেন্দগী পনারিট থোংনামবু ১৫-২১, ২১-১৬, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী মেইন ড্রোগী ক্বালিফাই ওইখি।

মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা শান্নদনা লাকখ্রবা মশাগী চহী ৩০ শুরবা কেশয়পনা মমাঙদা টিয়ানগা অনীরক মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা মায়থীবা পীখিবনি। কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপনদা কেশয়পনা টিয়ানবু অরোইবা ওইনা মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা প্লেয়রশিং কে শ্রীকান্ট, অজয় জয়ারাম, ঐচ এস প্রন্নোয় অমসুং বি সাই প্রনীথনা মেন'স সিঙ্গলসকী মেচশিংদা মখোয় মখোয়গী কেম্পেনশিং হৌননবা শেম শাখ্রে। অদুগা টুর্ণামেন্ট অসিদা ৱিমেন সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টানভি লাদ মতোমখক্তনা শরুক য়ারি।

শ্রীকান্টনা ওপন অসিগী মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা হোং কোংগী ৱোং ৱিংকি ভিন্সেন্টকা লম্বা তৌদুনা শান্নবা শেম-শাখ্রে।

# ইন্দিয়া-পাকিষ্টান সেমী ফাইনেলদা শান্নরগনি

ধাকা, সেপ্টেম্বর ২৮ : বংলাদেশনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা অন্দর-১৮ এসিয়া কপ হোকি টুর্ণামেন্টগী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মহৌশাগী রাইভেল ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

পাকিষ্টান্না টুর্ণামেন্ট অসিগী ওপনরদা চাইনিজ টাইপৈবু ৬-১ দা অদুগা মথংগী গেমদা চিনাবু ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

মখোয়না মখোয়গী অরোইবা গেমদা হোং কোংবু ১৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। ইন্দিয়াসু মহাক্কী অহানবা মেচতা বংলাদেশকী মখুৎতা ৪-৫ দা মায়থীখি। অদুগা ইন্দিয়ানা ওমানবু ১১-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

# অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকী ওফিসল এমব্লেম মায়খুম হাংদোকখ্রে

পাঞ্জিম, সেপ্টেম্বর ২৮ : ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ফুটবোল ৱর্ল্ড কপকী ওফিসল এমব্লেম মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অমা ৱর্ল্ড কপ অসিগী লোকল ওর্গনাইজিং কম্মিটি (এল ও সি) না শিন্দুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট গ্যিানি ইনফাটিনো অমদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা শরুক য়াদুনা এমব্লেম অদুবু মায়খুম হাংদোক্কুনা মীয়ামদা শিন্নখি।

# ইন্দিয়ন সুপর লীগতা লৈবাক অসিগী ফুটবোলবু পামজবা মীয়ামনা মিৎয়েং থম্বা হৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮ :
লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা লীগ অমা ওইরিবা অহুমশুবা সিজনগী ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৬ টিম নিপাননা শরুক য়াদুনা ওক্টোবর ১ দগী দিসেম্বর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৭৯ নি চূপ্না পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ফুটবোলবু ঙাওজবা মীয়াম্না লীগ অসিবু য়েংনবগীদমক মিৎয়েং অমা হৌখ্রে।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৬ অসি ওক্টোবর ১ দা গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোক্কনি। হৌদোকপা নুমিৎতা ফিল্ম ষ্টার জোন অব্রাহমগী ক্লব অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা সচিন টেন্দুলকরগী কেরলা ব্লাষ্টর্সকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। লীগ অসিগী মেচ ৬১ মক নুমিদাং পুং ৭ তগী হৌদুনা শান্নগনি। মেচশিং অসি ষ্টার স্পোর্টসনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা শন্দোক্কনি।

লীগ অসিগী সেমী ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেচশিং দিসেম্বর ১০ অমদি ১১ দা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা লেগকী মেচশিংনা দিসেম্বর ১৩ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ফাইনেল মেচনা দিসেম্বর ১৮ দা শান্নগনি।

অহুমশুবা সিজনগী লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি এফ সি গোৱা, মুম্বাই সিটি এফ সি, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি, এফ সি পুনে সিটি, কেরলা ব্লাষ্টর্স, এথলেটিকো দি কোলকটা, দিল্লি দাইনামোস অমদি চেন্নাইয়িন এফ সিনি।

মমাঙ সিজনগী আই এস এলগী টাইটল লৌখিবা চেন্নাইয়িন এফ সিনা হন্দক্কী লীগ অসিগীসু টাইটল দিফেন্দ তৌনবগীদমক অচেৎপা ফীরেপ লৌরি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অসিনা লীগ অসিদা মখোয়গী অহানবা মেচ ওইনা ওক্টোবর ২ দা এথলেটিকো অমদি মেদ্রিদকী মায়োক্তা শান্নদুনা মখোয়গী কেম্পেন হৌদোক্কনি।

হৌখিবা সিজনগী ফাইনেলদা চেন্নাইয়ন এফ সিগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা এফ সি গোৱানা অহুমশুবা সিজন অসিগী টাইটল লৌনবগীদমক চাউরবা আশা তৌরি। এফ সি গোৱানা মখোয়গী অহানবা মেচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগা ওক্টোবর ৪ দা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

মমাঙগী আই এস এলদা তরুকশুবা পোজিসন তাখিবা মুম্বাই সিটি এফ সিনা লীগ অসিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা নিংশিংনিঙাই ওইরগদবা খোঙফম অমা শেম্নবা পান্দম থল্লি। মুম্বাই সিটি এফ সিনা মখোয়গী প্রি-সিজনগী ফিক্সদা মায়থীবা মশক খঙদনা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লিবনি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি মমাঙ সিজনগী আই এস এলদা মঙাশুবা পোজিসন তাখিবা অদু থৈদোক্নগা সিজন অসিদা অনৌবা প্লেয়র কয়া হাপচিন্দুনা চেম্পিয়ন ওইনবা শেম-শাখ্রে। ফ্রেঞ্চাইজ অসিনা ওক্টোবর ১ দা কেরলা ব্লাষ্টর্সকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অহুমশুবা সিজন অসিগী আই এস এলগী ফেভোরাইট টিম মঙাগী মনুংদা অমা ওইরিবা পুনে সিটি এফ সিনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মতীং লৈবা টিম অমনি হায়না উৎকদৌরি। মমাঙ চহীদা তরেৎশুবা মফমদা লৈহৌদুনা নিংবা কায়খিবা টিম অসিনা ওক্টোবর ৩ দা মুম্বাই সিটি এফ সিগী মায়োক্তা শান্নদুনা মখোয়গী কেম্পেন হৌদোক্কদৌরি।

মমাঙগী সিজনদা খ্বাইগী মনিংদা লৈখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা সিজন অসিদা নিংথিনা শান্নদুনা মতীং লৈবা টিম অমনি হায়বদু উৎকদৌরি। টিম অসিনা ওক্টোবর ১ দা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী অহানবা সিজনগী ৱিন্নর ওইখিবা এথলেটিকো দি কোলকটানা অনীশুবা সিজনদা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। টিম অসিনা ওক্টোবর ২ দা চেন্নাইয়িন এফ সিগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনবা শেম শাখ্রে।

দিল্লি দাইনামোসনা অহুমশুবা সিজন অসিদা হনবা নাইদ্রবা মখোয়গী মথৌনাদু উৎনবা শেম-শারি। লাক্লিবা ওক্টোবর ৬ তা চেন্নাইয়িন এফ সিগী মায়োক্তা শান্নদুনা সিজন অসিগী মখোয়গী কেম্পেন হৌদোক্কনি।

# নেসনেল লেভেলগী টুর্ণামেন্টদা শরুক য়াবদা আধার কার্দ পায়দবা য়াররোই

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮ : হৌজিক রেষ্টলর অমনা নেসনেল লেভেলগী টুর্ণামেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক আধার কার্দ মথৌ তারগনি।

রেষ্টলর অমনা নেসনেল লেভেলগী টুর্ণামেন্টদা শরুক য়াবদা আধার কার্দ য়াওগদবনি হায়না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি এথলেটশিংনা চহী শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াদনবা অমদ ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা চত্তুনা অশাবা দোমিসাইল শিজিন্নদুনা ষ্টেটশিং অদুগী মহুৎশিন্দুনা শান্নরিবা অসিবু থিংননবগীদমক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না লৌখৎলকপা থবক্নি।

থৌরাং অসি দব্লিয়ু এফ আইনা শুংশোয় শোয়দনা চৎননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়না দব্লিয়ু এফ আইগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা থৌওং অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ২২ দগী ২৫ ফাওবগী উত্তর প্রদেশকী গোন্দাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপতগী চৎনবা হৌননবা থৌরাং তৌখ্রে।

হায়রিবা টুর্ণামেন্ট অসি রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা টুর্ণামেন্টসু ওইগদৌরিবনা লৈবাক অসিগী য়াম্লবা টোপ রেষ্টলরশিংনা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবসু লৈরি। টুর্ণামেন্ট অসিদা টোপ রেষ্টলশিংনা শরুক য়াদ্রবদি নেসনেল কেম্পকীদমক্তা মখোয়বু খন্নবা তৌরোই হায়না ফেদরেসন্না অকনবা ৱাফমসু থল্লি। ফেদরেসনদগী ফংবা অখন্নবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবা মফমদা মাঙওইননা সি সি টি ভি কেমেরাশিং ইন্সটোল তৌদুনা ৱেফরিনদা অশোয়বা লৈবশিং কূপ্না মোনিটর তৌদুনা য়েংশিনগনি হায়রি।

# অনীশুবা টেষ্ট মেচতা গৌতম গম্ভিরনা শোক্তুনা লৈরিবা ওপনর লোকেস রাহুলগী মহুৎ শিল্লগনি




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮ : লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩০ দা কোলকট্রাগী ইদেন গার্দেনদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দগী অনীশুবা টেষ্ট মেচতা শোক্তুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ওপনর লোকেস রাহুলগী মহুত্তা গৌতম গম্ভিরনা শিল্লগনি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না রাহুল অসি হৌজিক হৌজিক মশক থোকপা ফোর্মদা লৈরিবনি। অদুবু মহাক্না অহানবা টেষ্ট মেচকী অনীশুবা ইন্দিয়াগী ইন্নিংসতা মহাক্কী ফৈগনগী শিংলিদা অশোকপা লৈবদগী গৌতম গম্ভিরবু শিন্ননবা ফীরেপ লৌখিবনি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্নিংস অদুদা মহাক্কী মহুত্তা শিখর দৱননা মহুৎ শিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ অনিল কুমব্লেনা অমসু অমসু ইফন্দা ফনবা মওংদা দেল্লিগী বেটসমেন অসিবু মহুৎ শিন্ননবা কৌখৎখি। গম্ভির অসি ইন্দিয়ন দোমেষ্টিক সার্ক্যুইটতা মশক থোকপা ফোর্মদা লৈরি। মহাকপু টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজ অসিগীদমক মেম্বর ১৫ না শাবা স্কাদতা খনখিদবদা মীয়ামদা অঙকপা ফাওনখিবনি।

দুলীপ ট্রোফি ফাইনেলদা গম্ভিরনা খ্বাইদগী মশক থোকপা সেনিয়র প্লেয়র অমা ওইনা মথৌ পাঙথোকখি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অসিনা মহাক্কী টিমগীদমক হাফ সেঞ্চুরি মঙা য়ৈখ্রে। মহাক্কী হাফ সেঞ্চুরি অদুদি ৭৭, ৯০, ৫৯, ৯৪ অমদি ৩৬ নি। মসিমক্না মহাক্না ইন্দিয়ন টিমদা হল্লক্নবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি।

গৌতম গম্ভিরনা ইন্নিংস মঙা শান্নখিবদা অপুনবা রন ৩৫৬ লৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ন ব্লুগী মেম্বর ওইরিবা গম্ভিরগী টিমনা যুবরাজ সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়া রেদপু মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়া রেদনা রন ৩৫৫ লৌখি।

লেফট হেন্দেদ বেটসমেন অসিনা ইন্দিয়াগীদমক কুমজা ২০১৪ দা ইংলেন্দদা টুর চৎতুনা শান্নখিবদা মশক থোক্না মায় পাকপা ঙমদনা লৈখিবনি।

গম্ভিরনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেঙ্গলুরুদা লৈবা এন সি এদা চত্তুনা ফিটনেস টেষ্ট তৌরবা য়াই হায়না রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লি। মহাক্না টেষ্ট মেচ ৫৬ শান্নখিবদা অপুনবা রন ৪০৪৬ লৌদুনা চংচত্তা ৪২.৫৮ দা লৈখি।


No: 5/16/2015-MSRRDA/E-Tender/Ph-X(4th Call)/238
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
(DEPARTMENT OF RD & PR. GOVERNMENT OF MANIPUR)
4th FLOOR, SECURED OFFICE COMPLEX, A T LINE, NORTH AOC: IMPHAL, MANIPUR

MEETING NOTICE
Dated Imphal, the 27th September, 2016

It is hereby informed to all the 1st Class and Special Class Contractors of PWD, Manipur and 1st Class Contractors of CPWD, MES, RAILWAYS, NHAI for attending the Pre-bid meeting to be held at **Conference Hall, MSRRDA, 4th Floor, Secured Office Complex, A T Line, North AOC, Imphal, Manipur** on **29-09-2016** at **11 a.m.** sharp in connection with the **3rd re-tender/4th Call** of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-X in Manipur State.

It is also hereby requested to all the concerned Contractors to attend the meeting along with site engineers.

Sd/- **N. Bapuchand Singh**
Chief Enginner / EO,
MSRRDA

HL-B/3340/28 & 29



IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE : IMPHAL WEST, MANIPUR

Original (G & W) Suit No. 7 of 2016.

Shri Ngangbam Rajdhon Singh
.....Petitioner
-Vrs-
1. Shri Ngangbam Budhachandra Singh, & 4 Ors.,
.......Respondents.

ꯈꯣꯉꯖꯦꯜ/NOTICE

To all interested persons.
WHEREAS, the above named Plaintiff has filed a petition Under Section 52 and 53 of the Mental Health Act, 1987 for appointment of Guardian of Shri Ngangbam Rajdhon Singh aged about 44 years, S/O., Late Ng. Tolangou Singh and Late Ngangbam (O) Oinam Nupimacha Devi of Sagolband Tera Sayang Road, P.O. Imphal, P.S. Lamphel, District Imphal West, Manipur (a person with mental disability).
Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the suit, or who shall be accompanied by some person, able to answer all such questions, on 1st October, 2016 at 10:30 a.m., to file written objection, if any, failing which the matter will be hard and determined without further notice. Signed and sealed by the order of this Court on this the 23rd day of September, 2016.
SEAL
By :- Advocate
Sheristadar, District and Sessions Court : Imphal West, Manipur
HL-P/9911/28&29



ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ Hon'ble Speaker Th. Lokeshwar Singh থাগৎচরি

মণিপুরনা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওদুনা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লী ভোট হেক তৌবদগী হৌরগা ৮ শুবা ভিধান সভা ফাওবদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা ওইখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা চহী দিকেদ কয়া অসিদা পাঙথোকখিবা থবকশিং অদুগা হৌখিবা মাপনশুবা বাই ইলেক্সন অমসুং ১০ শুবা ভিধান সভা ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা চাওরাক্না চহী ৯ মুক অসিদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লিবা মীং ওইনা পল্লবদা **শ্রী থোকচোম লোকেশ্বর সিংহ,** ওনরেবল স্পীকর, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীনা তেল্লবা মতম অসিদা কেন্দ্র অসিগী কাচিন-কোয়া থুংনা তৌখিবা থবকশিং অসিগা চাংদম্নবদা থোইনা নোপ্লোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। কেন্দ্র অসিগী চাওখৎ-থৌরাংশিং অসিগী মনুং চন্না পীক্লবা ভোটর ৩২৮ খক লৈজবা হৈকক মপাল অৱাং লৈকায় খুঙ্গং অসিগীসু শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে। থবকশিং অদুগী মনুংদা মচং ওইবা খরদং পঞ্জরবদা (১) খুঙ্গং অসিগী অমত্তা ঙায়রবা মপান পুখ্রি অসি মওং-মরিল তানা শেমবীখিবা, (২) লায়রবা লৌমীশিংগীদমক Double Croping গী খুদোংচাবা ফংনবা R.L.I. Scheme অমা শেম্বীবা, (৩) হৈকক মপাল অৱাং লৈকায়গী পার্কিংদগী লৌশাংখোং তাবা, লমলাই কেন্দ্রগী মচিন ফাওবগী লম্বী কোইলা থাবিখিবা, (৪) ইপা-ইপুগী হাক্তক্তগী চহী খুদিংগী লমতাগী থাংজ নুমিৎতা খুঙ্গং অসিগী প্রজাশিংগী ঙানৈফম ওইবা হৈকক পাৎ অসি ফজনা তৌথোক্তুনা অচৌবা ঈশিংগী ঈপাক অমা ওনথোকখিবা, (৫) Imphal to Sagolmang via Keibi গী লম্বী পুন্না ফিৎ ১০০ ফাওবা তুংগী মীরোলগী খল্লগা পাকথোকপীবা অমসুং মফম চানা মমল য়াম্লবা উ চারা কয়া থাবীখিবা, (৬) কেন্দ্র অসিদা খ্বাইদগী মফম চাবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা কম্যুনিটি হোল অমা শাবীবা, (৭) খুঙ্গং অসিগী মৈগী ট্রান্সফোর্মর চাকপদা অনীরক অনৌবা শীন্দুনা মৈগী অৱাবা লৈহন্দবা, (৮) লন্নাই ওইবা হিরমদা হায়রগনা পীকখ্রবা লৈকায় অসিদা য়ুম লৈতবা কাগী য়ুম শাবীবা, তিন কুপ্পীবা, অহল ওইরবশিংদা ওল্ড এজ পেন্সনগী খুদোংচাবা পীবিবা অমসুং লন্নাই ওইনা অৱা-অনা কয়াদা মতেং পাংবীবা অসিনচিংবশিং অসিনি। মরম অসিনা লাক্কদৌরিবা ১১শুবা ভিধান সভা ইলেক্সন অসিদসু খুঙ্গং অসিগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা Heikak Mapal Awang Leikai Village Development Committee না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা **শ্রী লোকেশ্বর সিংহ**-বু মায় পাক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ানবা শেম শাদুনা লৈরে।

Sd/- **Tekcham Churamani Singh**, *President*, Heikakmapal Development Committee, Heikakmapal Awang Leikaik
**Yambem Jiban Singh**, *Secretary*, Heikak Mapal Awang Leikai Development Committee

HL-P9927/29